# লৌশিং মশক খঙখিসি

**এস ভানুমতী**

***মতমসি*** পূক্লিং পঙনুংদা নুংশি, হায়ফম খঙদবা অমম্বনা হেক্তা কুপশিল্লকপগুম তৌই। ফজবা অমেঙবা ৱাহৈ-ৱাতা, ঈংজ-লেমজনা ঙাঙবা ৱাঙাঙ-শাঙাঙ অমত্তসু তাবা ফংলক্ত্রে। নুংশি নুংশিবা মিংগৌশিংদুসু তাখিদবা কুইখরে। ইচিন ইনাও পূনশিন্ননা হরাউ হরাউনা হিংমিন্নরম্বশিংদুসু মতম্না অসুম হৌখিবগা তোখাই তোখাই তানখ্রে। করম্বা অওনবা শাফুগী নোংলৈনা মথক মখা ওনখ্রিবনো, লংলা লংজিল অমত্তা থিংবা খঙদরে। মতমগী কল্লবা থিংবা ঙমদ্রবা নোংলৈনা শহুম কন্না হুমখিবদগী চৈনা চৈথেং কয়া মশীং থীঙমদনা ফংলে, থম্মোয় অসি কায়রে। কাং-খোং চাইরবা চনৈনরবা মতাং অমা ওইরবা মতমসিদা ৱাখলসি মীকুপ অমত্তা ফাওবা পোৎথাফম খঙদ্রে। মীওইবা কৌবা ঐখোয়গী ইরক্তা ওইরিবা মতৌ অসিবু করিদগীনো হায়বা ৱাহংনা অহিং নুংথিল, তূম্বা-হীপ্পা, চাবা-থকপা মতম চুপ্পদা খন্দুনতা লৈবনা ইথৌ অমত্তদা চপ চানা চঙশিন্দুনা পাঙথোক্কে খনবা থবক ঙমদবগুম তৌরক্লে। মী/মীগী ৱাখল অমগা অমগা মান্নদে। অঙাংশিংবু ৱারক-ৱাতেম্বগী থবকসু ইউ উখিদরে। অঙাংনা অঙাং ওইনা হিংনদ্রে। লৈশাবী মথোৎ কারকপীশিংসু অকি অখং অমত্তা মশাদা ফাওনদ্রে মশাবু মশানা চেকশিন খোইজিন্না হিংবগী মতৌসু উদ্রে। অহলসু অহল ওইনা হিংনরিব্রা খঙনদ্রে। অঙাংশিংনা অহলগী মিৎয়েংখাদা নোল্লুক্লা হিংনরক্ত্রিবা করিগীনো? অঙাংশিংবু ৱারকপা ঙম্নরক্তবগুম তৌরক্লিবসিবু করম্বা জেনরেসন্দা শোয়খিবননো? মতাংসিদনি চমন্নবা অমা কন্না থেংনরিবসে। অদুবু শকউদবা অমনদি তত্তনা তাক্লরি লেপ্পাইদনা, ‘অশোয়বা অমদি শোয়দনা লৈরে।’ করিগীনো লৈবাকসি কাং-খোং চাইরিবসে। অদুবু নুংঙাইতবা মরকসিদসু পূক্লিং থৌগৎপা পী’ঙম্বা পাউ কয়াসু তাবদি, উবদি অদুম ফংলক্লি। কনাগুম্বা ইচাশিং ইনাওশিং কয়াগী মরক্তা মশাগী ওইবা থবক অমমম পায়নবা হোৎনরি। এঞ্জাং-নাপী থাবা, উহৈ-ৱাহৈ শেম্বা, ঙা য়োকপা, ওক-য়েন লোইবা, ফুরিৎ ফিরোল তূবা-শাবা, সনা শাবা য়োৎশুবনচিংবা তোঙান তোঙানবা থবক কয়া তৌরগা পুন্সি ফজনা ইঙনা লেনবা য়াওনরি। মসিমক ঙাইহাকসু পূক্লিংগী পোথানফম পাম্বে অমদি মওইরি অমদি মতিক চাবা ইচাশিং ময়াওরি খন্দুনা নুংঙাইবা পোকচৈ। মীওইবগী লোনচৎ চৎপা তাইবঙ মী খরদি লৈরি খন্না মীকুপ’মতং ওইরবসু পোথাজে।

মওং তাদ্রিবসি অচম্বা মীচম-মীয়ামশিংখক্তদা নত্তে, লৈবাক্কী অচৌবা থৌদাংগী মপূ ওইবিরিবশিংগীলক্তসু চহী কয়া লীশাং শিৎনা মওং মরীল তাদবা মওংদা হিংনরকপা, ৱাখল য়াম্না পীকশিন্নরকপা, অতোপ্পগী করিমতা খন্নদবা কয়া উরকপদা ঐখোয়সু য়াম্নমক থম্মোয়সি শোন্থরকপগুম তৌরকই। খাঙফম খঙদ্রবা চৈনা কয়ানা থম্মোয়সিদা তত্তনা অৱাবা পীদুনতা লাক্লি। অমুকসু খল্লকই, করি উপায় লৈগনি? মৈতৈ/মীতৈ লৈবাক্কী ওইনদুম খল্লকই মদুদি হিংলিবা মীচম মীয়াম ঐখোয় পূম্বসি ঐগী ঐগী ইথৌশিংসিদা য়াম্না পূকচেল শেংনা তাইবঙ মপূদা নিজরগা পীকপগীসু পীকনা, চাউবগীসু চাউনা পামজরিবা ইথৌ থৌদাং-থৌদাংদুদা পূক্লিং চেৎনা মীকূপ নাহুম চেকশিন্না কনাবুসু কল্লকউদনা ইশানা মী অমা ওইজনবা ইশাগী ইথৌদু থম্মোয় শেংনা পাঙথোক্লবা হোৎনরবদি অতোপ্পা কনা অমদসু অকায়বা পীরুগদবসু লৈত্রে। মথৌ-মথৌ, ইথৌ-ইথৌ তৌনরগা পূকচেল শেংনা অমনা অমবু কল্লক্লবা, মিহৌনবসু য়াওদ্রবদি ঐখোয়গী লৈবাকসে লাইরৈবাক্কুম শোয়দনা অশেংবা মফম অমদুম ওইরনি থাজে। মতাং অসিদা নীংশিংলকই স্কুল তম্লিঙৈ, নৌরিঙৈগী মতমদা খুড়াতোন্না লীবিখিবা মহাভারত্তা কুন্তীগা শ্রীকৃষ্ণগা ৱারী শানবগী মতাং অমা। লম কল্লকপদগী দুর্য্যোধন্না লান তৌনবা থৌরাং শীল্লকখিবা মতমদুদা ধর্ম্ম কায়বা পামজদ্রবা পাণ্ডব মঙাগী ময়াম্বুং অহল যুধিষ্টিরনদি মচিন মনাওগী অমদি মীচম মীয়ামগী লক্তা লান তৌদুনা মী হাৎপগী থবক্তু পামখিদে। মতম অদুদি পাণ্ডব মঙাদি বন্দা লৈরিঙৈ মতমনি। শ্রীকৃষ্ণনা থৱায় য়াম্না ৱানা হষ্টিনাদা মনে কুন্তীবু উনদুনা ৱা তাননবগীদমক লাকখিবনি। শ্রীকৃষ্ণনা হায়খি, ‘ইনেমতোন! দাদা মহারাজনা লানগী ৱা হৌদোক্লুবদা য়ানীংদে অদুবু লানদি তৌদবা য়াদ্রে কমদৌসিগে? অমুক্তা শীনবীয়ু’। কৃষ্ণগী ৱাহৈশিং তাবদা কুন্তীনা মমা অমা ওইনা থেমজগে, পাউ পূম্বা মরীক চুম্না যুধিষ্টিরদা অসুম্না তম্বীয়ু হায়রগা মখা তারকখি- “ইমাগী ইবুংঙো যুধিষ্টির! হৌজিক নহাক্লা নশাগী ওইবা নথৌ অমত্তসু পাঙথোক্ত্রি। ক্ষেত্রি অমা ওইনা করি থৌদাং লৌফম থোকপগে হায়বদু নহাক করিসু খঙদ্রি। মীথোইবশিংনা মীওইবা ঐখোয়গী লক্তা তোঙানবা কাঙলুপ খায়দোক্তুনা থম্লম্মী, মদুদি ব্রাহ্মন, ক্ষেত্রি, বৈশ্য, শুদ্র অসিনি। কাঙলূপ মরিসিগী থৌদাং অমগা অমগা মান্নদে। নহাক্তি নিংথৌনি (লৈঙাকপনি), নচিন্ননাও চাম্মা মঙাগী মনুংদা নহাক্লা খ্বাইদগী ময়াম্বা অহলনি। অদুনা নহাক্লা নিংথৌ ওইরিবনি। নিংথৌ হায়বসিদি ক্ষেত্রিনি। ক্ষেত্রি অমনা মশাগী ক্ষেত্রিগী মথৌ মশক মুন্না খঙনা পাঙথোক্কদবনি। মশাগী লৈবাক অমদি মীচম মীয়ামশিংবু ঙাকপী শেনবীগদবনি অদুবু ইবুংঙো! ক্ষেত্রি মচা নঙনা নুমিৎ চূপ্পা অমা ধর্ম্ম অমত্তবু নৈনদুনা লৈরে। লৈবাক ঙাক্লিবা ক্ষেত্রি নহাক্তি নশাগী লৈবাক্কী মীচম মীয়ামগী থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা ঙাক শেন্নবা হোৎনগদবনি। মদুনা নঙগী অশেংবা নথৌনি। অদুগা নহাক্লা খক কাউরোইদবদি থম্মোয় শেংদবা নিংথৌনা মাগী মীচম মীয়ামশিংবু ধর্ম্ম কায়দনা ঙাক শেনবা খক ঙম্লোই। মতম চূপ্পদা নহাক্লা নীংশিংগদবদি কোরৌ নোংমদোলথক্তা দেবতাশিংনা, অদুগা পিতৃলোগতনা ইপা ইপুশিংনা মর্ত্ত লোগতা লৈহৌরিবা মচা মশুশিংনা তৌরকপা দান, বেদ শাস্ত্র তম্বা অমদি নৈনবা অমসুং মীচম মীয়াম্বু নীংথিনা ঙাকপি শেনবীবা অসিনচিংবগী আশাতা তৌদুনা লৈরিবনি। তশেংনা হায়রবদা মীওইবা ওইনা ঐখোয়না পোক্লরিবসি ফজবা, অচুম্বা তৌফম থোকপা থৌদাংশিং পাঙনবগীদমক্নি। অদুনা ইমাগী ইবুংঙো! নহাক্লা খক কাউরোইদবদি - ধর্ম্ম চেনবা নিংথৌদি (লৈঙাকপদি) দান তৌদুনা, পাঙ্গল-লৌশিং পুথোক্তুনা অচুম্বা পাম্বৈনা অমদি ইচম চম্বা নুংশিবা মীখোনবা ৱাহৈতনা মীচম মীয়াম্বু মতেং পাঙবনা মথৌ ওইরিবনি। ইবুংঙো! খক কাউগনু ক্ষেত্রিদি মপাঙ্গলতনা মীচম মীয়াম পূম্বা ঙাক্কনি, বৈশ্যনা লন-থুম তানশিনগনি। অদুগা শুদ্রশিংনা মীওইবগী য়াইফনবা তৌগনি। পূম্নমকসে অমত্তা কায়বা য়াদে। য়েংঙু, থৌদাং পূম্নমকসে হেক কায়বদা লৈবাক অদু কাং-খোং চাইবা লৈবাক শোয়দনা ওইগনি, অৱাবদা তাগনি, খোমজিন পাশিনবা ঙমদনা লৈখো তারবা হায়বদুমক ওইগদৌরিবনি খঙঙু। অমুকসু নীংশিংবা য়াবা অমদি নিংথৌ (লৈঙাকপা) হায়বসিনা অরানবা তৌবা মীওইশিংবু মতাং চানা চপ চাবা চৈরাক পীবা হৈরবদি মতম অদুমক্তদা ‘সত্যযুগ’ কৌবা অথোইবা যুগতো লাকপা হৌরবনি থাজৌ। ওন্ন-তৈনবদা অমুক নীংশিংবা য়াই- ‘মথৌ চুম্না তৌদ্রবা ফৎত্রবা নিংথৌনা (লৈঙাকপনা) মতম চূপ্পদা নরক্কী লম্বীরোমদা খোঙ থাংজিন্দুনতা লৈ। পূম্নমক অসে অমত্তা কাউবা য়াদবনি।” অসুম্না কুন্তীনা যুধিষ্টিরদা চেকশিন্না পাউ থাখি।

ৱারীশিং অসি নীংশিংলুবদগী অৱাবা ৱাখলতনা চোকথহল্লবা হকচাং অমদি ঈফক ফকচিল্লবা পূক্লিংবু তেকখৎহল্লি। অদুগা পূক্লিং লৌশিং খরা হেক থোকহনবগুম তৌই। ঐখোয় ৱাশক লৌবা মতম ওইরে। ইথৌ ইথৌদা থম্মোয় শেংনা অচৌ অপীক থিরুদনা পূক্লিং চঙনা হোৎনরবদা পোকচবগী মহয় শোয়দনা ফংলগনি। ইশা ইশাগী থৌদাংদা পূক্লিং লূপশিনবা ঙম্বগী হৈনবীবু লৈরবদি মীওইবা অমনা মীওইবা অমদা ফংহল্লিবা চৈনা কয়াগী অৱাবদুসু লৈররোই। অমনা অমবুসু শোয়দনা ইকায়খুম্নবা ঙল্লগনি। ইথৌ-ইথৌদা পূক্লিং থম্নববু ঙল্লবদি লৈবাক্কী ঈরাং হায়বদি বন্দ-ব্লোকেদনচিংবা তৌরকপদা নাতৈ চাদবা থৌদোক কয়া ওইহল্লকপগী চাংদু খরদি শোয়দনা হন্থনরনি। লৈবাকসি খরদি ঈংলনি। অমুকসু হৌজিক হৌজিক হিংনরিবা মওংসিদা মমা মচাগী অমদি অহল নহাশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসি ইতৎ-তৎনবগুম তৌনা ফোঙদোকফম খঙদনা নুঙাইতবা অমদি অদুম লৈরি। মসিগা মরী লৈননা অসুম ৱাখলনা পাম্বে থিরকপদা খঙহৌদনা নীংশিংলকই - "Behind every successful man there is a woman" নীংশিংলকপগী মরমদি - তাইবঙ মী ওইনা পোক্লক্লিবা জীব ঐখোয়দি অপোকপী ইমানা (নুপী ওইবীনা) মওং মরীল তানা শেন্বীবা ঙমগনি। অঙাংগা (মচাগা) খক থানবা য়ারোই। অদুনবু নুপী ওইবী শায়োল য়াম্বী মখোয়তনা চঙ চঙ লাউবা মায়পাকপা মীওই কয়া মালেমদা মশীং থীঙমদনা থম্বীরল্লিবসিনি। মীওইবগী লক্তা মিংচৎ উরোং খিনখ্রবা মীথোইবা কয়াসে মতিক চাবী, খাঙবা কনবী, মিৎয়েং শানবী, থম্মোয় মরাক পাকপী, মবুদিদ্ধ মরৌশিং লৈবী মমা (নুপী) ওইবী মখোয়তনা ওইহনবনি। মরম অসিনা মচা ওইবশিংবু মায়পাকপা মীশক অমমম ওইহনবা ঙম্নবা মমা ওইবীগী থৌদাং কয়াম চাউবগে তাকপা ঙম্নবা উপায় থিসি, থিবা লেপ্লোইসি। মতাংসিদা মীতৈগী পাউরৌ ‘হৈ হেকপা লায়বনি, হৈ খূনবা লুবনি’ হায়বসিগী ৱাহন্থোক মুন্না খঙনবা হোৎনফম থোকই। চাউরাকপা ৱাহন্থোক অমদি নীংশিংবা য়াই মদুদি - নিপা অমনা ফনা চেকশিন্না লন থুম কয়া তানশিল্লক্তুনসু যূম্বানমিন্নরিবী নুপীনবু ফৎত্রবদি হেন্না হেন্না অমাঙবা ঙাক্তা ফংলকই’, অসিনি।

লোইশিল্লকপদা, অমুক্তং নীংশিংমিন্নসি - ‘মীনা শেল্লগা লাই ওল্লি, লাইনা শেল্লগা মী ওল্লি।’ ৱাফমসি কাউদবনা ফৈ। মসিগা লোয়না লোয়ননা পুন্সিদা মীওইবা ঐখোয়না কুমজা কুমওন কয়া চঙনা তানশিঞ্জরক্লিবা জ্ঞান (নোলেজ) সিদগী লৌশিংগী পূক্কে ওইনা মহুৎ শিনবা ঙম্নবা পূক্লিং চেৎনা হোৎনবা লেপ্লোইসি। লৌশিংবু ফংবা ঙমদ্রবা তাল্লুরিবা জ্ঞানদু মপূং মরৈ খক ফাদ্রবনি হায়বসি কাউরোইসি।

# ঔগ্রী হঙ্গৈন চোঙবা






**রন্দোল্ফ মোইরাংথেম**

***মৈত্রবাক*** অসি ঙসিদগী চহি লিশীং অনী হেনবগী পাৱারী লৈরে হায়বসি য়ানরবা ৱাফম অমনি। মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিং Greek, Rome, China, India, etc. য়াম্না লৈখ্রে। মালমেগী চাওখৎলে হায়না লৌনরিবা লৈবাক খুদিংগী লৈশেমলোন লৈফম থোকই। ঐখোয়গী মৈত্রবাক্কী লৈশেম লৈরবগী মতুংদা লাইরেম্বী মতারোইশিংনা পুল্লপ-পুল্লপ খুৎশম্নরগা কোয়শিন্দুনা হরাউ তয়াম্না চোঙ ফন্দুনা নুঙাইখিবা অদুবু তুংকোইনা নীংশিংদুনা উমং লাই হরাউবগী লাইরোই নুমিত্তা ঔগ্রী হঙ্গৈন চোঙবা হায়দুনা ঙসি ফাওবা পাঙথোক্লরক্লি। ঙসি-ঙসিমকসু লৈকায়-লৈকায়দা থাবল চোঙবা হায়না পাঙথোক্লিবা অসিসু ঔগ্রী হঙ্গৈন চোঙবদগী শমথরকপনি হায়না থাজনরি।

***মৈত্রবাক্তা করম্না লৈশেম্লকখি :***

মৈত্রবাক লৈশেমলোন্দা অতিয়া য়াইবীরেল শিদবা অমদি লৈশিরেল লৈপুলবী অনীনা মালেম অসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরবদা মপারী অতিয়া, অশিবা (সনামহী) অমসুং কোনচিল তুথোকপা অহুম্বু শাৎনখি। নোংমা কোরৌ অমদা মপল পন্থৌ অতিয়া শিদবনা মপারিশিংদুদা নপল ঐদি পাঙ্গল শোল্লে নখোয়গী মরক্তগী মালেম নোংখোঙ অসিবু তরেৎরক কোয়বা ঙম্বদা ঐহাক্কী ফম্বাল ফাংখোঙ অসিবু খুৎশিন্নরগে হায়না তাকপীখি। মপন পন্থৌ অতিয়া য়াইবিরেল শিদবগী ময়াথংবু তাংজা লুদা থোংনা মপারি অহল অতিয়া অমদি মপারী অশিবা (সনামহী) অনীদি শারেল নোংশা অমসুং পাম্বা কৈরেল তোংদুনা মালেম নোংখোঙ কোয়বা খোঙশানখি। মশানৌ অতোনবা কোনচিল তুথোকপদি শামা পাঙ্গল কন্দ্রিবনা মশাবীশিংনা নোংখোঙ কোয়বা চৎপদু তুং ইন্দুনা য়াওরুবা ঙমদনা লৈহৌই।

পারি কোন্না শাৎমাবা “কোনচিল তুথোকপা” পারী নঙনা নশাবী অনীনা মালেম নোংখোঙ কোয়বা চৎখিবদা য়াওবা ঙমদদুনা থম্মোয় কাইনা তেংথারিবা অদুবু পলেম নমা পোকমাবীনা য়েংবদা নুঙাইতেদো, অদুনা পলেম নমা ঐহাক্লা পারি নফমদা কোরৌ নোংখোঙ তরেৎলক কোয়বগা মৈত্রবাক্কী লৈশেমলোন শেম্বীরিবগী ফাংখোঙ তরেৎলক কোইবগা চপ মান্নে। মতৌ অসিদগী কোনচিল তুথোকপনা মপন পন্থৌ অতিয়া য়াইবিরেল শিদবগী ফাংখোঙ তরেৎলক কোয়খিয়ে। য়াইবিরেল শিদবনা মপারিবু পাখংবা কোলোই মীংথোল পীবিখি অমদি মপন পন্থৌ অতিয়া য়াইবিরেল শিদবনা মপারী পাখংবগী মফমদা ফম্বাল ফাংখোঙ শিন্নখি। মালেম নোংখোঙ হায়ববু লৈতবনে, মালেম নোংখোঙ অসিগী অহৌবসু লৈতবনে, অরোইবসু লৈতবনে, ৱারম অসি লৈবনা মালেম অসিদা নপন পন্থৌ অমদি নপন পলেনমচা অনীদগী হেনবা লাই অমা লৈতবনে।

মপারি অহন অতিয়াগী মফমদা পারি অতিয়া নহাক্তি নপন পন্থৌ ঐহাক্কা অমত্তনি অদুনা নপন পন্থৌগা তাথোক-তাশিন লৈরসি হায়না পাউতাকপীখি। অদুগা পারি অশিবা (সনামহি) নহাক শাওরগনু। নশানৌনা ফম্বাল ফাংখোঙ ফংখ্রবসু পারি নহাক্লা নমু তাইবঙ পানবগী য়ুমথোং খুদিংগী নিংথৌ ওইরো তাকপীখি। তেঙবানবগী পোঙ্খোক খুদিংমক হৱাই থাংপাক, মরী চৎপা পোৎলমশিং থারবদা চীংঙু অশিবনা (সনামহী) মশানৌনা তৌখিবা অদুবু নীংশিংদুনা মশানৌ অতোম্বনা থারিবা মরী চৎপা হৱাই থাংপাক খিবিকপু থদত্তুনা মাঙহনগে খন্দুনা “মশাগী খোঙগী খোঙলক্তগী নুরা লৌরগা শগোল অপাইবা শামাদোন অয়াংবা” শাখি। মশানৌনা থারিবা মরী চৎপা হৱাই থাংপাক খৈবিক অদুবু শগোল অপাইবা থারক্তুনা নেৎথত্তুনা মাঙহল্লবা শামাদোন অয়াংববু মশানৌ হারাবা কোংলৌতোন লৌথিবা হাওমক্লা লেংফাই চন্দুনা ফাগে তৌরবদা শামাদোন অয়াংবগা অকনবা লাম্হেংনরবদা শামাদোন অয়াংবনা কোংলৌতোন লৌথিববু ঈহিং-নাইহিং শানা কাউথৎলে। মতৌ অদু উবদা পলেম মমা লৈমরেল শিদবীনা শিবা তারে হায়না লাইরেম্বীশিংগী মফমদা শগোল অদুবু ফানবা শীন্নবদগী লাইরেম্বীশিংনা শগোল অদু কোয়শিন্দুনা ফাখি। শামাদোন অয়াংবগী মশাবু লাইরেম্বীশিংনা থুদেক্লগা খুজিল মতু মমাল ঙম্না ককথৎ ফোয়দৎলবদা (চীংঙু অশিবনা) লাইরেম্বীশিংগী মফমদা অশাও খাম্বী মৈহৌনা শাউরবদা লাইরেম্বীশিংনা চীংঙু নঙগী লাঙ্গৌই খোঙনেৎশা অসিবু লৌজরো হায়দুনা থাদোরকখি।

কোংলৌতোন লৌথিবনা শামাদোন অয়াংববু ফারবদা লাইরেম্মা তরেৎনা শামাদোন অয়াংবগী মকোই-মরাং, মতু-মশা, শাগল ফোয়খিবা অদুদা নুঙাইমনখ্রদুনা লাইরেম্মা মতারোইশিংগা পুল্লপ-পুল্লপ খুৎশম্নরগা কোয়শিন্দুনা হরাউ তয়াম্না চোঙ ফন্দুনা নুঙাইখিবা অদুবু তুংকোইনা নীংশিংদুনা উমং লাই হরাউবগী লাইরোয় নুমিত্তা “ঔগ্রী হঙ্গৈন চোঙবা” হায়দুনা হৌজিক ফাওবা পাঙথোক্লি। হায়রিবা ঔগ্রী হঙ্গৈন চোঙবা অসি মৈত্রবাক্কী লৈশেমলোন মতমদগী পূং ঈশৈ জগোয় ওইনা য়ৈরক্লবনি, শক্লক্লবনি, শারক্লবনি। লাইনা তৌদবা ঙমদবা করিসু লৈতে।

মতম অদুগী পূং ঈশৈ অমসুং জগোয়শিং অদু হৌজিক মতমগী Four (4) beats time cycle দা composed তৌবিরম্বনি।

All India Radio Station, Imphal, Prashar Bharati Corporation of India য়াম্না চাউখ্রবা Electronic Media নি। মৈত্রবাক্কী লৈশেম্লোনগী পূং ঈশৈ অমসুং জগোয় খন্নবা নৈনবা য়াওদনা broadcast চহি খুদিংগী তৌরি।

ঔগ্রী হঙ্গৈন চোঙবদগী ঙসিগী থাবল চোঙবনি হায়বসি য়ান্নরি।

ঔগ্রী হঙ্গৈন চোঙবদবু হোরি হোরি বোলা (হরি-হরি বোল হায়গদবনি)

হে হোরি (হে হরি হায়গবনি) হোরি হোরি বোলা হে হোরি।

ঙসিনা লাইরেল নোংজাদা
কুমগীনা মতম ওইবনা
লমতা থাগী ১৫ নি পানবদা
হোরিগী য়াওশং মৈথারে
… … … …
… … … …
*খাঙেম্বম ওঝা মঙ্গী সিংহ*

অরোইবদা ঔগ্রী হঙ্গৈন চোঙবগী লাইরোন।

কে - কে - ক্রেক্ মো - মো
য়াঙ্গৈন শম্বা শ্যাও - শ্যাও
তোকপগা কাম্বা কৈগা য়েনগা
য়েনখোং ফত্তে চাশল্লু
লাইগী য়েন্নি চাফদে।

অসুম্না All India Radio Station, Imphal না লোইশিল্লি। মসিদি মালেম পুম্বগী মীশিং য়াম্লবসু য়ামদ্রবসু মখোয় মখোয়গী Genesis না য়াফম থোক্তে।

হৌজিক মতমদা মালেমগী ওইনা tradition গী ঈহৌ অমা কন্না লাক্লরি। Hindu গী জগোয় রাসতা মীতৈগী লাই হরাউবগী ঈশৈ শকচনবা ওইবা য়াগদবা নত্তে।

Manipur অসি অখঙ-অহৈ য়াম্না লৈ। ঔগ্রী চোঙবগী ঈশৈদা (লাইরোল) Hindu গী Fusion Music হাপচিনবা লৈবাক্কী issue নি হায়না থমজনীংই।

**তানজখিবা/তানজখিবশিং অমদি লাইরকিশিং:**

১. য়িরেং পুৱারী (লৈথক লৈখারোল) (সম্পা)
দা: ভাগ্য য়েংখোম।
২. লাই হরাউবা - ৱাহেংবম লুখোই সিংহ।
৩. ঔগ্রী
অরিবা মণিপুরগী সাহিত্যগী পরি চহীচা ১৮গী
মমাং - এল অশেক কুমার।